# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 29-07-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না দিল্লিদা তোঙান তোঙানবা লুচিংবশিংগা উন্নদুনা মণিপুরগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে।

২) ৱার্ল্ড হেরিতেজ কমিতিগী মীহুৎ কাংবু অমনা দিল্লিগী অকোইবদা লৈবা মোন্যুমেন্টশিংদা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে।

অমসুং

৩) নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সি (এন.টি.এ)না লৌবা কম্মন য়ুনিভর্সিতি এন্ত্রান্স টেষ্ট (কেট) য়ু.জি. ২০২৪ গী ফল লাউথোক্লে।

------

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না দিল্লিদা তোঙান তোঙানবা লুচিংবশিংগা উন্নদুনা মণিপুরগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- মহাকা বি.জে.পিগী প্রসিদেন্ট অমসুং কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রি জে.পি. নদ্দাগা উন্নদুনা হিরম কয়াগী মতাংদা কুপা ৱারী শান্নখি। উন্নবা অদুদা মণিপুরদা শান্তি হঞ্জিনহন্নবা হোৎনরিবশিংগী মতাংদসু খন্ন-নৈনখি। সরকারনা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্টকী মতাংদসু ৱারী শান্নখি।

মুখ্য মন্ত্রিনা বি.জে.পিগী নেসনেল জেনেরেল সেক্রেটরি বি.এল. সন্তোসকসু উন্নখি। উন্নবা অদুদা লৈবাক অসিবু চাওখৎহন্নবগীদমক বি.জে.পিনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা লম কয়াগী মতাংদা ৱারী শান্নখি।

শ্রী বিরেন্না থাগৎলকপা অতোপ্পা পোষ্ট অমদনা লক্সমন প্রসাদ অচারিয়াবু মণিপুরগী রাজ্যপাল ওইনা খল্লকপদা মুখ্য মন্ত্রিনা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি। অনৌবা রাজ্যপাল অসিগী লুচিংবা অমা ওইবগী হৈ শিংবা অমসুং মতম শাংনা থবক তৌরকপগী হৈ শিংবা অদুনা ঐখোয়গী রাজ্য অসিদা অনৌবা আশা অমা পীবা ওইরনসু হায়রি।

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইরাং থোকপা য়াই হায়না চিংনবা মফমশিংদা এরিয়া দোমিনেসন অমসুং চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- নেসনেল হাইৱে টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা পোৎ চৈ পুবা গাড়ি ২৭৪ সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাকশেলগা লোয়ননা পুশিল্লকখি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ঙরাং শজিক তম্পাক্তা পেরা মিলিটরি ফোর্স অসিগী লৈখিদ্রবা রাইফলমেন গেলে গুরুংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখ্রে। রাইফলমেন অসি ইং ১৯৭৩ দা নাগালেন্দগী জ্নহেবোতোদা লালহৌবশিংগা খুৎ থোকবদা লৈখিদবনি। অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ঙরাং চান্দেল জিলাগী জোপীদা লৈখিদ্রবা লেন্স নাইক বহাদুর সিংহ ধামিগী মফমদা ইকায় খুমবসু উৎখি। ১৭ শুবা অসাম রাইফলসকী জৱান- বহাদুর সিংহ ধামি ইং ১৯৯৯ দা ইম্ফাল বিষ্ণুপুর রোদকী মফম অমদা থোকখিবা লাইবক থিবা থৌদোক অমদা লৈখিদবনি।

অসাম রাইফলসনা থৌবাল জিলাগী এস.পিগা খুৎশমদুনা তোঙান তোঙানবা মৈরা পায়বী, নহা অমদি লল্লোন ঈতিক তৌরিবা মীওইশিংগা ৱারী ৱাতাই শান্নবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। মদুদা তোঙান তোঙানবা খুলদগী লাকপা মীওইশিংনা শরুক য়াখি।

ওক্সফোর্দ (এল)ঃ বেঙ্গলুরুদা লৈবা টেন বেদ আই.সি.য়ু, ই-গভর্মেন্স ফাউন্দেসনগী দিরেক্তর ওইরিবা বিসোয়া লোইতোংবমবু য়ুনাইতেদ কিংদমগী য়ুনিভর্সিতি ওফ ওক্সফোর্দতা লিদরসিপ এন্দ এক্সেলেন্সকী ফেল্লোসিপ পীরক্লে হায়রি। মহাক ইম্ফাল ইষ্টকী অংথাদগীনি। মহাকা ফেল্লোসিপ অসি ফংবা অহানবা মণিপুর মচানি।

বোদি বিল্ডিং (এল)ঃ ১৪ শুবা মিষ্টর বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট বোদি বিল্ডিং কন্টেষ্ট ২০২৪ ঙরাং কুম্বি কলেজগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে। তোঙান তোঙানবা জিম ১১ দগী লাকপা শান্নরোই ২০ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা কন্টেষ্ট অদুদা জ্নিয়র, সেনিয়র অমসুং মেন্স ফিটনেস ফিজিক কেটগোরিশিংদা অথোই অহেন তান্নখি।

করাতি (এল)ঃ ৮ শুবা ইন্তরনেসনেল করাতি চেম্পিয়নসিপ ইন্দিয়ান চেলেঞ্জর কপতা মণিপুরগী ইরেংবম পুস্পাতা লুপাগী তকমান লৌরক্লে হায়রি। মহাক মোরে ৱার্দ নম্বর নাইনদগীনি। হৌজিক হৌজিকনা উরুপ ও.বি.সি গার্লস হোষ্টেল রিলিফ কেম্পতা চংজফম লৌদুনা লৈরিবনি হায়রি।

হেরিতেজ ঃ ৱার্ল্ড হেরিতেজ কমিতিগী মীহুৎ কাংবু অমনা দিল্লিগী অকোইবদা লৈবা মোন্যুমেন্টশিংদা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। খোঙচৎ অসিদা লোয়নরক্লিবা মীহুৎশিংবু আর্কিওলোজিকেল সর্ভে ওফ ইন্দিয়ানা হরাও তয়ামা ওকখ্রে। মীহুৎ কাংবু অসিনা মোন্যুমেন্টশিং য়েংশিনবা চৎপদা মফম অদুদা লৈরিবা মীয়ামগী

কলা সংস্কৃতিগী থৌরম কয়াস্ য়েংখি। আরকিওলোজিকেল সর্ভে ওফ ইন্দিয়ানা অরিবা মোন্যুমেন্টশিং ঙাক শেনদুনা থমবা হোৎনবদা লৌরিবা থৌদাংবুসু মীহুৎ কাংবু অদুনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

ৱার্ল্ড হেরিতেজ কমিতিগী মীফম ভারতনা অহানবা ওইনা যুম্বু ওইদুনা নিউ দিল্লিগী ভারত মান্দাপমদা থা অসিগী ২১ দগী হৌদুনা পাঙথোক্লি। মীফম অসি থা অসিগী ৩১ ফাওবা চত্থগনি।

সিতারমন ঃ নিতি আয়োগকী মীফমদা নোংচুপ বেঙ্গলগী মুখ্য মন্ত্রি মমতা বেনর্জিগী মাইক মুত্থৎলি হায়না মরাল শিরক্লিবা ৱাফম অদু কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না য়াখিদ্রে।

বেঙ্গলুরুদা ৱাফম অসি ফোংদোক্লদুনা শ্রীমতি সিতারমন্না হায়- মীফম অদুদা মমতা বেনর্জিনা মহাক মশামক বিরোধি দল পুমমক্কী মীহুৎ অমা ওইনা শরুক য়াবনি হায়না ফোংদোকখি। মীফম অদুদা মমতা বেনর্জিনা ফোংদোকখিবা ৱাফমশিং অদু মীফম অদুদা য়াওখিবা মীওই খুদিংমকা তাখি। অদুবু মীফম লোইরবা মতুংদা মহাকা মরাল শিরক্লিবা ৱাফম অসিদি তশেংনা ঙকনিঙাইনি। অসিগুম্বা থৌওং অসি পুকিং থৌগৎনিঙাই ওইদে হায়নসু মন্ত্রিনা মখা তানা ফোংদোকখি ।

কেুট ঃ নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সি (এন.টি.এ)না লৌবা কম্মন য়ুনিভর্সিতি এন্ত্রান্স টেষ্ট (কেুট) য়ু.জি. ২০২৪ গী ফল লাউথোক্লে। পরিক্ষা অসি কেন্দিদেক ট লাখ ১৪ লিশিং ৯৯ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবনি। টেষ্ট অসিদা মায় পাক্লবা মহৈরোইশিংনা সেন্ত্রেল, ষ্টেট অমসুং অতৈ য়ুনিভর্সিতিশিং অমদি ইন্সটিট্যুসন ২৮৩ দা একাদমিক সেসন ২০২৪-২৫ গী ওইনা মিং চনবা য়ারগনি। এন্ত্রান্স টেষ্ট অসি চহি অসিগী মে ১৫ দগী ২৯ ফাওবা লৈবাক অসিগী মফম ৩৭৯ দা পাঙথোকখিবনি।

দিল্লি ঃ দিল্লিগী ওল্ড রাজিন্দরনাগরদা লৈবা কোচিং ইন্সটিট্যুট অমগী বেটচমেন্টতা ঈশিং থুমজিনবদগী সিভিল সার্ভিস পরিক্ষা থাগদবা মহৈরোই অহুম শিখিবগা মরী লৈননা দিল্লি পুলিসনা কোচিং সেন্তর অদুগী মপুসু ওইরিবা কো-ওর্দিনেতর ফারে। দিল্লিগী উপ-রাজ্যপাল ভি.কে. সক্সেনানা থৌদোক অদুবু কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে।

দিল্লিগী কোচিং সেন্তর অমদা ঈশিং থুমজিল্লকপদগী মহৈরোই অহুম লৈখিদবা অদুবু কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা নুংঙাইতবা ফোংদোরক্লি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী গান্ধিনা কম্পিটিতিভ পরিক্ষা থাগদৌরিবা মহৈরোইশিং ঈশিং থুমজিনদুনা লৈখিদবা হায়বসি থম্মোয় শোকিঙাইনি। নুমিৎ খরনিগী মমাংদা নোং চুরিঙৈদা ইলেক্ত্রিক সোক তৌবদগী মহৈরোই অমা শিখিবগী ৱাথোকসু লৈখ্রে। মসি অয়াম্বনা য়ুম শাবা মতমদা চেকশিন্দবা অমদি টাউন প্লান্নিং নিংথিজনা তৌদবদগীনি।

অমরোমদা, থৌদোক অদুগী মতাংদা নেসনেল ৱিমেন কম্মিসন্না কেস অমা লৌখৎতুনা মফম অদুগী এম.এল.এবু কম্মিসনদা লাক্তুনা জবান পীননবা খঙহনখ্রে হায়রি।

ওলিপিক্স ঃ পেরিস ওলিম্পিক্কী মেদল টেল্লিদা জপান্না সনাগী ৪, লুপা ২, শেঞ্জেংগী ১ পুন্না তকমান ৭ ফংদুনা অহানবদা লৈরি। ওষ্ট্রেলিয়ানা সনাগী ৪, লুপা ২ পুন্না তকমান ৬ ফংদুনা অনিসুবদা লৈরি। আমেরিকানা সনাগী ৩, লুপাগী ৬, শেঞ্জেংগী ৩ পুন্না তকমান ১২ ফংদুনা অহুমসুবদা লৈরি। ভারতনা শেঞ্জেং তকমান অমা ফংদুনা ২২ শুবা মফমদা লৈরি।

গেমস অসিদা ভারতকী সুত্তর মানু ভাকর নুপীগী এয়ার পিষ্টোলগী মিতর ১০ গীদা শেঞ্জেংগী তকমান লৌরে। মহাকা ওলিম্পিক গেমসতা মশান্না অসিদা তকমান লৌবা ভারতকী অহানবা নুপী শান্নরোই ওইরে।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

সি.এমনা প্রাইম মিনিষ্টর, পার্তি প্রসিদেন্ট য়াওনা মরুওইবা মিনিষ্টরশিং উন্নখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

সনালৈবাক্তা- চীফ মিনিষ্টরনা নরেন্দ্র মোদি, রাজনাথ অমসুং অমিত সাহ্গা কনামত্তা য়াওহনদনা পুন্না উন্নখ্রে, বি.জে.পিনা লৈঙাক পায়বা ষ্টেটশিংগী চীফ মিনিষ্টরশিং, দিপ্যুতি সি.এমশিংগী মীফম লোইশিনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক মণিপুর নিউজ, পিপলস ক্রোনিকল, পোক ফমদা তোঙান তোঙানবা মওংদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা- য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কয়া উন্নরবসু প্রাইম মিনিষ্টর উন্নদুনা মণিপুরগী মতাংদা ৱারী শান্নবা ফংদ্রি হায়না কলর তৌদুনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুর অমসুং ইংলিস ইদিসনদা সি.এমনা প্রাইম মিনিষ্টর তোঙন্না উন্নব্রা হায়না কংগ্রেস লুচিংবা জয়রাম রামেশনা হংখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা- মণিপুরগী রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকে শিন্দোকখ্রে, রাজ্য ৯ দা অনৌবা গভর্নরশিং হাপখ্রে, লক্ষমন অচারিয়ানা মণিপুরগী রাজ্যপাল ওইনা থৌ পুরগনি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর নিউজদা- অসাম রাইফলসকী মহুৎতা সি.আর.পি.এফ শিন্দোকপা হৌরে, লো এন্দ ওর্দর ঙাকপদা সি.আর.পি.এফনা অচৌবা থৌদাং লৌহল্লগনি হায়না হোম সেক্রেটরি আজয়কুমার ভালানা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মণিপুর মেলদা- নৌনা সুপ্রিম কোর্টকী জজ ওইনা খল্লক্লবা জষ্টিস নোংমৈকাপ্পম কোটিশ্বরগা রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেগা উন্নখিবগী পাউনা

অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা- জে.দি.য়ুদগী বি.জে.পি ওনখ্রবা এম.এল.এ ৫ গী দিসক্কালিফিকেসন কেসতা হাই কোর্টকী ওর্দর মতুংইন্না দিসক্কাইলিফিকেসন কেসকী ৱায়েল চথনবা স্পিকরদা লিগেল নোটিশ অনিরক পীখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা- লৈবাক্কী ওইনা উমংগী লম পাক চাউবা হেনগৎলবসু মণিপুরগী ওইনদি চহি খুদিংগী হন্থরক্লি হায়বা পাউ অমা অহানবা লমায়দা ফোংলি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- জাইমেং লেকতা চৎলবা মতুংদা অহানবা তাদুই তাকো ফেষ্টিভেল লোইশিনখিবগী পাউ অহানবা লমায়দা ফোংলি।

লক্ষমন প্রসাদ অচারিয়ানা মণিপুরগী রাজ্যপাল ওইনা থৌ পুরগনি হায়বা পাউ তমেংলোং টাইমস অমসুং গানফিউ মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা শেলগী দিমান্দ তৌরকপবু য়ানিংদবা ফোংদোক্লুনা ককচিং, থৌবাল অমসুং জিরিবাম জিলাদা মহৈরোইশিংনা ৱাকৎ মীফম ফমখিবগী পাউ তমেংলোং টাইমসকী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

------